# তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌ শাফোংলে - ৩

**ৱাখল ইহুল**

**আচার্য্য সোরাম ইবোহল**

**তাঞ্জেং** খুমন ইপুধৌগী মতিক ময়াই ফংলগনি খঙড্রিঙৈদা লাইশ্রম মমতা চনু ওইরিঙৈদা করম্না তৌরকখিবগী মতাংদা শন্নপ্না পাউদমজগে। তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইরবি লাইশ্রম মমতা চনু অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লাই অমগী পাউতাক পাউজেল ফংগদবি, ময়াম্না লাই তোংবী হায়নবিদু ওইগদৌরে হায়বসি মশাদি মুন্না খঙজদ্রগসু মীনদি খরা অদুম খঙনরমগদবা মানবা মওং অমদি ওইরকপা জাৎনি। শম্না হায়রমবদা, 'অঙাংদি নিংথাদা খঙই' হায়নবা পাউরৌদুমক ওইরকপা জাৎনি। সি ওইনি নৎত্রগা তৌরক্কনি খঙড্রিঙৈদা, লাইশ্রম মমতা চনু (হান্না হেক্তা হায়জরগে) অদুবু ইপুধৌগী মতিক ময়াই ফংলবা মতমসিদনা ইপুধৌ মমতা হায়না শৈথাজগে। লাইশ্রম তোম্বা, মতম অমগী গৌড় লীলাগীদা য়োং শাবদা মমিং অদুম চৎখিবা অপোকপসি লাইশ্রম মমতানা তাইবঙ ফাওরকপা মতমদা লৈরমদ্রে/হিংলমদ্রে, অদুগা অপোকপী লাইশ্রম ওংবী লুখোই লৈখিদবা মতমদদি খরা খঙহৌরগসু মশক্তি হৌজিক ফাওবদা নীংশিংবা থোক্তে হায়না অইবদা পাউদমই। মচিন মনাও তরা পোকপদা মবুং নুপা মরি, মচে তরুকনি, মবুং অহুম লৈখিদ্রবা মতুংদা অমা হিংলি, মচে লোয়নমক ময়ূম পান্নখ্রবনিনা অঙাং ওইরিঙৈদা খরা ৱানা হৌরকপগী ফীভম ওইনা তৌবদগী ময়াম্না তম্নবা মহে মশীনদি ইতম থমহৌদ্রেসু হায়।

অরিবা পুয়াগী লাতমদা খুমন য়েক্কী মথোৎ কারকপী চনু নিঙোল (লৈশাবী) অমদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী মতিক ময়াই ফংলক্কনি হায়না য়াওরম্বসিগী মতুং তারকপা ওইনা হায়গদ্রা - লাইগী য়াইফ থৌজাল ফংবগা লোয়ননা ইপুধৌ তাঞ্জেং খুমনগী মতিক ময়ায় সিমক্লি খঙদ্রবসু তপ্না তপ্না খঙহনবীরকখিবদগী ইচম চম্না লৈরম্বী মমতা চনু হৌজিক্তদি ইপুধৌ মমতা চনু হায়না লৈবাক মীয়াম্না শক খঙনবা মতম শাংলক্লে। অদুবু খঙহেন হেন্না খঙনরকখিবদি তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী অশেংবা শঙলেন - তাঞ্জেং লমলেন্দা শাফোংবা মতমদুদগীনি হায়না পাউদমজগে। নাকল অমরোমদা অমুক হায়বা তারবদি লাইশ্রম মমতা চনুনা ইপুধৌ মমতা চনু হায়না খঙনদ্রিঙৈদা ইচম চমজবী লৈশাবী অমা ওইনা মশানা লৌজরকপনা মশাগী ওইনদি মীঙম্বা, হৈথোই শিংথোইবা অমা ওইরক্তে, মসিনা মশাগী মরন্নাইগী ওইবা শক্লোননি।

তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী মতিক ময়াই মথোৎ কারকপী ওইরিঙৈদা মমতা চনুদা অসুম্না খঙহনবীরকখিবগী পাউদমলকই। হৌজিক ইপুধৌ মমতাগী ককৱা লিলান্দো লম্পাক মমাঙ ওইরপ্না লৈরিবা মরাং য়াইগীদা লৈরিবা ইপুধৌগী শঙলেন শাদ্রিঙৈগী মতমদুগী মমাং থংবা লম মতেক অমদা মখুল অমা উহনবীরকখি। করিমত্তা খঙড্রিঙৈদা চুম্না উচি মখুল্লা খনবদগী মেনশিন্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা মখুলদুদা ঈশিং ফনা য়াম্না হৈরবসু থনগৎপা লৈখিদে। অদু ফাওবদা অচম্বা ৱাখলনা উচি মখুল ওইরমাল্লে খনবদগী মশামক্ক। ফুনজিনলুবদা ঙহাক ৱান্থবদগী ময়াম চঙদুনা মখোয়গী ইমুংদা পুশিল্লি। ঙহাক ৱান্থরিঙৈদা ইপুধৌনি হায়বসি তাকপীরকখিবদগী ৱাখল তারক্লবা মতুংদা মশানা ফুল্লুবা মখুলদু ইচম চম্বা মখুল নত্তে, শুরুংনি হায়বা খঙলকপদগী মশানা তৌথোক্তুনা হাংদোকই হায়না পাউদমলকই। অদুদগী শুরুংদু চহী ২/৩ রোম থাকল খন্দুনা থমই। চহী অহুমগী মনুংদা শঙলেন উহনগনি/শাবিগনি হায়বসিমক অমনা অমনা মতেং পাঙবিরক্তুনা চহী অহুমগী মনুংদা শাবা লোইশিন্দুনা হৌজিক লৈরিবসিনি। অদুবু ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইহন্নবা চিংশিনবিবনি খঙড্রিঙৈদা অনা অয়েক য়াম্না তোয়না তৌদুনা তুরৈ-ইরৈ চেলহল্লকপসি করি তৌরগা ফগদগে, তিলখোং-লাইখোং থিরগা ফগদ্রা খঙনীংবদগী ৱাঙ্খে লমলেন্দা মতম অমদা লৈবাক্লা থাক ৱাংনা শিংথানখিবসিগী মরানয়াইদা/মনাক্তা চৎলগা (হায়বদি মমতাবু অহলনা পুবিরগা) করিনো, করম তৌরগা ফগদগে য়েংহল্লুবদা য়াম্না থাক নেম্না 'তৌশিন্নবনি হায়না করেম কথায়নদুনা তৌরকপা থৌওংদুদগী মাগী মশাগী ওইনা তুংদা ফত্তবা ওইরক্কদবা মরমদুগী ৱাখল খুদক্তা ইপুধৌনা ফাওহল্লকপগুম ইতোমতা খঞ্জরগা হল্লকখি। মাগী চৎহৈদবা, নাপল কাবা মরমচৎ শেমদোক্কে হায়নফাও খনখি। মদুগী মহয় ওইনা মহাক মশাগীদা হৌজিক ফত্তবা ফীভম ওইরিবসিনি' হায়না অইবদা মখা তানা পাউদমলকখি। মতাং অসিদা অইবনা হান্না মমাঙদা থেংনবদগী খঙখিবা মরম খরা নীংশিংলকখি। লাইগী ওইবদা থাক খরা হন্থবনা থাক খরা ৱাংবা লাইগী মরমদা হায়বা ঙল্লোই। খুদম, হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী লাংবন চারা তম্বা হায়দুনা ৱাখা লমলেন্দা লৈরিবা নোংদম শঙলেন পাখঙবা লাইনিংকোনগীদা তৌখিবা মতমদুদা থৌরম য়াওবা লাকপী মশাগী লাই অমদি তোংবী অমনা লাই মপূং ওইনা তোংবদি ঙমদনা তোংগদবগী মওং তৌখৎলকপদা পাউজেল পীবা ঙল্লোইদৌবগী মওংদু উরকপদগী খরা লাপ্না মাগা লাকমিন্নবা মী অতৈনা পুথোকখিবা অইবনদি হেক হেক য়াওবা থৌরম ওইবনা তশেংনা থোকখিবদু উহৌখি। অনীশুবদনা, হন্দক তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা লাইজ ইপাল লাংনবা তৌরিঙৈদা নুপামচা অমনা তৌখিবদু কেসেটতা উখিবদুগী মরম হংবদা থাক খরা হন্থবা, ফবা খরা ৱাৎপা লাই অমগী শাদোং/পাউজেল্লোই ওইবনা য়ৈখাই থিনগাইবা তৌনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবগী খুদমনি হায়না ইপুধৌ মমতানা ফোঙদোরকপা লৈখি। অমুকসু, থমজনীংবা ৱাফম অমদি লাই নীংবা শারগা নৎত্রগা মশানা মশাবু লাইনি হায়জরগা চৎফম থোক্তবা লমচৎ চৎখিবদগী লৈবাক মীয়াম্না থাজবা ৱাৎখিবা, জেলদা লৈখিবগী অশেংবা পাউদম মপান লমগী অমদি ঐখোয়গী ষ্টেটকী পাউচে খরদা ফোঙনবা লৈখ্রে। মতিক ময়াই লৈবা/লৈবী লাইনা নমু তাইবঙ মীওইবদা তোংশিল্লগা/পাউজেল্লোই ওইহল্লবা মতুংদা লাইদুগী য়েংলগা ইপা, ইমা, ইপুধৌ, ইবেন্ধৌ হায়না হায়নবদি অদুম ময়াওই। লাইনা তাইবঙ মীওইবা মরক্তা মরমলেন্দা থোরল্লগা পাউতাক পাউজেল পীবদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈত্রিবনিনা, পাউজেল্লোই ওইরিবা/ওইবিরিবদু লাইদুম্না তৌবগী মওং মাল্লি হায়না য়াম্না থাক ৱাংনা হায়নবদি থেংনৈ। অহিংবা লাইনি হায়নবদি হায়ফম থোক্তব্রা খঞ্জে।

মতুং তারকপদা লায়না লায়ওং খঙদবদু ইপুধৌ খুমন্না তৌহনবনি খঙড্রিঙৈদা ৱাঙ্খেগী কোনুং মমাঙদা লৈবি ইমাঁ শঙ্গাইগী য়ূমদা অমদি হৌজিক হৌজিক ফাওবা হিংলিবী লিলোং চজিংদগী ইমা থৌরানী মোমোন দেবীগী ময়ূমদসু চৎচরুবদা মতেং পাঙনবা য়াম্না কন্না হোৎনবিখি অদুবু অনীমক অমত্তা মায় পাকপা ঙমখিদে। য়াম্না ঙক্লা নুংঙাইখিবা অমদি হায়রিবা ইমা থৌরানিসিনা মশানা হায়জবদা মতিক মপা চাদনা পায়রম্বা 'খুমন থাঙ' সি মশানা (থৌরানি মোমোন্না) পায়বা ঙম্বা মতিক মপা চাবা নত্তে, ইচাগীদমক্তনি হায়রগা ইপুধৌ মমতা চনুদা শিন্নবিরকখিবা খুমন ইপুধৌগী খূৎশু থাঙ অশেংবা ওইরম্বদগী হৌজিক লেপ্তুনা ইপুধৌ মমতানা খূৎশু থাঙ ওইনা শীজিন্নরি।

নাকল অমরোমদা, ইপুধৌ তাঞ্জেং খুমনগী মতিক ময়াই লাইশ্রম মমতা চনুদা তশেংনা পীবিরকখ্রে খঙখিবগী অশেংবা ৱারী মতেক অমদি - অৱা অনা, তুরৈ-ইরৈ কয়া চেনবনা, অসুক ৱারবসিবো হিংলুবগী করি কান্নখিগদগে, হিংনীংবগী ৱাখল লৈতবদগী খঙদবনিনা মশা মতোমতা (মমতা চনু) না শিজরগে খনখিবদগী নুমিৎ খরনি চঙনা ইলেক্ট্রিক্লা চিংহন্দুনা শিজনবা লোন্না শেম শাজখি। হয়েংদি শোয়দনা শিরগে হায়না খনবা নুমিৎসিগী নুমিদাং পুং ১০-১১ ফাওবগী মনুংদা মী তূম্না হিপ্নখ্রবা মতম ঙাইবা ওইনা ইমুংগী মী হায়বদি লুহোংবা কুইদ্রিবা মবুং অমদি মনম্মা তূমখিবা ঙাইদুনা লৈরিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা - মমতা মশাগী (ইপুধৌনি খঙড্রিঙৈগী ওইবনা) খোঞ্জেল ওইনদি তৌরগা ইপুধৌগী মতিক ময়াইদগী ওইবা য়াবা/মানবা মওংদা - "নয়া লাওনা কাথোক্লগা নমিৎ চেজেৎ উইশিল্লগা নশানা মখা ওল্লগা খুকউ খুদক কুল্লগা ফম্মু হায়বা মান্না মশা মতোমতা হায়জরগা হায়রিবদু অদুম মতৌই। মিৎ উইশিন উইশিন্না য়াম্না লংবা (হায় ভোলটেজ) মঙাল অমা উহনবীরকখি। ইকুই কুইদনা মঙালদু য়ানুংদা চঙখ্রবগী মওং তৌরগা ঙহাক লৈরগা পুক খরা কংখৎলকপগুম তৌরকখি" হায়না মথং মথং পাউদম্লকখি। থৌদোক্তুগী ৱারী মতেকসি তারবা মতুংদা অইবনা হায়বদা - কাথোক্লিবা য়ানুংদা য়াম্না লংবা মঙাল চঙখিবদু হায় ভোলটেজগী করেন্ট চঙহনখ্রবা মতুংদা মপূং ফানা চার্জ তৌরে হায়বদি ইপুধৌ মমতা চনুগী হকচাং মনুংসি মপূং ফানা ইপুধৌগী মতিক ময়াইনা থলহনখিবনা পুক কংখৎলকপা ওইগনি হায়না ৱাহন্থোক পীজবদা অদুমক্লি হায়রকখি।

মসিগী মখা তারকপদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা লাইশ্রম মমতা চনু (হৌজিক্তনা ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনু হায়নরিবী) দা অসুম্না তাকপীরকখি মদুদি মমতা চনুগী মশা মনুংদা মপূং ফানা চার্জ তৌরবা মৈরি (রে) শিংদু লম অনকপদা অমদি অরাপ্পদা হায়বদি ইরমদমসিগী লম অমদা হেক্তা অমদি মীরৈবাক্তা (ফোরেন কন্ত্রি) লৈবা মীশিংগী (ফুরুপ-লাইনীং লাইশোন মান্নবা মান্নদবা থিদনা) মশাদা অনাবা, অৱাবা তারবা মতমদা মীওইশিংদুগী কন্নবগীদমক্তদি মৈরিসিনা হেক কাম্বদা মালেম শিন্থুংনা য়ৌগদবনা অদুগুম্বা মীশিংদুগী অৱা-অনা কনবদা শীজিন্নগদবনি, অদু নত্তদনা অরানবা/ফত্তবা মরমদা শীজিন্নরবদি মদুগী মতিক ময়াই পীরিবদু মাঙখিগনি হায়না তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা তাকপীরমই হায়নসু অইবদা পাউদমই। মসিনসু মদোমদে, তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌদি য়েক ৭ পোকপনি, মখোয়গী য়াইফনবা তৌবিবনা থম্মোয় শেংনা ইপুধৌবু নীংজরবা অমদি থৌনিজরবদি অৱা-অনা কোকপীবা ঙমই হায়বসিনি, মরুওইবা পাউজেলদি।

'তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা য়াইফরে'।

# মণিপুরদা শান্তি? মোদি গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়গী জেলদা থম্লিবা লালহৌবশিংসু সর্ত অমত্তা য়াওদনা থাদোক্লগা সর্ত অমত্তা য়াওদনা ৱারী শানবগী চেবাউ পীবা মতম ওইরে



**Dr. Th. Suresh Singh, MD.**
**Ex-Director, Health & WHO fellow**

**ইন্দো-নাগাগী** ৱারী অসি লোইবা নাইদ্রবনা, নে-না তাদ্রবা মণিপুরসিদা ঐখোয়গী লালহৌবা অমসুং মসিগী ৱাফম অসি করমহায়না লোইশিনগনি হায়বসিদা অমুক ৱাখল থাদবা মথৌ তারে। The Endless Kabaw Valley হায়বা ঐগী লাইরিক্তুদা ষ্টেটসিদা লালহৌবগী মরুওইবা মরম ৪ খক পীখি - (১) বৃটিশনা কবো ভেল্লি বর্ম্মাদা কুমজা ১৮৩৪ দা পীথোকখিবা (২) বৃটিশনা কংলা লৌশিনবা অমসুং বীর টিকেন্দ্রজিৎ, থঙ্গাল জেনেরেলবু ১৩/৮/১৮৯১ দা মীয়াম মমাঙদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবা (৩) Indian Dominion দা সেপ্টেম্বর ১৯৪৯ দা নমদুনা মর্জর এগ্রিমেন্ট তৌহনখিবা অমসুং অরোইবদা (৪) নেহরুনা ঐখোয়না ক্ষেটিপুরোন ফংলম্বদুসু ককথৎতুনা কবো ভেল্লি বর্ম্মাদা কোহিমাদা ৩০/৩/১৯৫৩ দা অরোইবা ওইনা পীথোকখিবা। হায়রিবসি সেকেন্দরি ক্লোজ ময়াম অমা লৈবগী মথক্তনি। হায়রিবশিংসি শন্দোক্লা মসিদা ইররোই, অকূপ্পা ৱারোলশিংদু লাইরিক্তুদা ফংবীগনি।

নীংশিংবা য়াবা অমনা, অহানবা লালহৌবা অসি কুমজা ১৯৫০-৫১ দা মফম কয়াদা থোকখি - জিরি, বিষ্ণুপুর, কৈবি, লমলাইনচিংবদা; মদু মতমদুগী মণিপুর কম্যুনিষ্ট পার্টিগী রেদ গার্দনা হৌখিবনি। অদুবু, ইরাবতনা কুমজা ১৯৫১ দা বর্ম্মাদা লৈখিবগা লোয়ননা অমদি লুচিংবা কয়া ফাখিদুনা, লালহৌ ঈরাংদু নেমথখি।

কুমজা ১৯৫৩ দা পোলোগ্রাউন্দদা মীওই লিশীং কয়ানা তিনবা মীটিং অমদা মণিপুর নেসনলিষ্ট য়ুনিয়ন্না মণিপুরসি Independent Buffer State অমনি হায়না লাউথোক্লম্মী। কুমজা ১৯৬৪ লোইশিল্লমদাইদদি মণিপুরদা খূৎলায় পায়বা কয়া হৌরক্লে, অদুগা কুমজা ১৯৯০ ফাওবদা মরুওইবা মিলিটেন্ট গ্রুপ ৫ - য়ু এন এল এফ, পি এল এ , কে সী পি, প্রিপাক, কে ৱাই কে এল উবা ফংলে। হৌজিক হৌজিক চাওরাক্লা খূৎলায় পায়বা কাঙলুপ ৫০ মুক লৈ হায়না পানৈ, মসি ৱর্ল্ডগী রেকোর্দ অমা ওইগনি।

হান্নদি অফস্পাদি হায়দবা অতোপ্পা মমিং ওইবা তমথিরবা এক্ট অসিনা ঐখোয়গী উখুলগী মীওইশিংবু সিজফায়র থম্বগী মীংদা অঙকপা ফংনা ওৎ নৈবিরবা মতুংদা, তমথিরবা এক্ট অসি মণিপুরদা কুমজা ১৯৭৯ গী দিসেম্বরদগী চৎনবা হৌখি। এক্ট অসিনা লালহৌবা অমসুং মসিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং কোকহনবা ঙমলোই হায়বসিদি হৌজিক্তি শেংলবা গেঙ্গোত্রিগী ঈশিংদৌনা উবা ফংলবনি। অদুগা ইন্দো-নাগা ৱারীসিনা লোইশিনবগী মঙাল অদু উবা ফংদ্রিবনা হৌজিক্তি মোদিনা মণিপুরগী লালহৌবগী মতাংদা খন্নবা মতম ওইরে।

হৌজিক হৌজিক সেন্তর/ষ্টেটতা লালহৌবা কাঙবু ৪০ মুক্তা ৱারী শান্নরি; অদুবু মদু মমিংতগীনি। মসিমসু মীয়াম্না খঙনরবনি মদুদি নাগাগা অনকন্দিসনেল পিছ টোক তৌনরিবসি চহী ২০ শুরে অদুগা কাশ্মীর মিলিটেন্সিশিংদনা ফজ ফজরবা উহৈ কয়া পীজরিবা!

মথক্তা পনখিবা পিছ টোক অসিগী মঙ্গল ওইননবগীদমক্তা মীওই অমনা মণিপুরগী হৌখিবা পুৱারী খঙবা মথৌ তাই। মসি খঙনবা হোৎনবা মোদি, দেল্লিগী অঙম-অথৌ অমদি ঐখোয়গী মুন্না খঙদবা/শাশিন্নবা হিষ্টোরিয়ন অমদি রাইটরশিংগী মথৌনি। হায়রিবশিংসি ওইবনা কলম অসিদা কূপ্না নৈনদ্রবসু, মীওইশিং অসিনা খঙদবা য়াদবদি - কুমজা ১৮৯১ দা শোক্লখিবা অমত্তা ঙাইরবা এঙ্গলো-মণিপুরী ৱার অদুদা মায়থীবা নংখ্রবসু, মণিপুর অসি বৃটিশকী মখাদা কৈদৌনুংদা লৈরমদে (মণিপুরীশিংনা মসি ৱাখল তানা খঙগদবনি)। কুমজা ১৯৪৯ দা ইন্দিয়াদা তিনদ্রিঙৈদা ঐখোয় অসি য়াম্না মকা লাম্না নীংখা তম্বা লৈবাক অমা (ফুল ইন্টরনেল ওটোনোমি) ওইরম্মী। হায়রিবা নম্ফুগী মর্জর অসিনা ঐখোয়গী সোভরেন্টিদু মাঙহল্লম্মী। অদুম ওইদুনসু মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী ২৮/৯/১৯৪৯ গী তশুবা সেসন অদুনা forced merger অদু আইন্না য়াদবনি অমদি চৎনরোইদবনি হায়না ৱারেপ লৌরম্মী।

নুংগী ওইবা ৱাফম অমনা, বৃটিশনা a protectorate state and an Asiatic power in alliance with the queen হায়না কুমজা ১৮৫১ দা লাউথোকপা নেটিভ ষ্টেট অসি মণিপুরখক্তনি, বৃটিশ ইন্দিয়াগী মফম অতৈদা (নাগালেন্দ অমসুং কাশ্মীর য়াওনা) লৈতে হায়বসি খঙজিনবা মথৌ তাই। হায়রিবা দিক্লারেসন অসিনে, Sanad অমদি এগ্রিমেন্ট ময়াম অদুনা দিফেন্স, এক্সটর্নেল এফ্যেরস অমসুং কম্যুনিকেসন নত্তনা মণিপুর অসি নীংতম্না অমদি হাই-হুম্না পানবা লৈবাক অমা ওইনা অদুম লৈরম্মী। হায়রিবা সবজেক্ট অহুম অদুদি বৃটিশকী হক লৈরম্মী, মদুগী মরমদি মপানগী লৈবাকশিংনা লান্দারকপা ঙাকথোক্নবগীদমক্তনি, অদুগা মসি কুমজা ১৯৪৯ গী forced merger অদু ফাওবা চৎনরম্মী। হায়রিবশিংসি পুৱারীনা শাখিনি। নিংথিনা ইদুনা লৈরবা ঙাক্তনি অদুগা মতম্না শাখি ওইদুনা লাক্লবনি। অদুনা, নহাক্কী করিসু খঙজদবা ডাক্তর অহাওবা উহৈ কয়া কাশ্মীর মিলিটেন্টশিংদা পীজরিবা (Hurriate & co য়াওনা) , চহী ২০ চঙনা নাগাশিংদা অনকন্দিননেল পিছ টোক তৌনরিবা (হায়রিবসি মসিগী মায়োক্তা নত্তে, হেন্নদুম ৱেলকম তৌই) মতাং অসিদা মণিপুরদা অতোম্বীগী মচাদৌনা য়েংলিবা মিৎয়েং অসি করিগীনো? মসি হংদবা য়াদবা নৎত্রা?

ঐগী আর্টিকল - Give Peace a chance in Manipur হায়বা হুইয়েন লানপাউগী এদিসন অহুম্মক্তা (ইংলিস, মণিপুরী, মীতৈময়েক) ১১/১/২০১১ দা ফোঙখিবদুদা ঐনা থমজখিবা ৱাফমদি - করিগুম্বা সেন্তরনা কবো ভেল্লি অসি বর্ম্মাগা ৱারী শারবা, মর্জর এগ্রিমেন্টকী Article VIII কী সব-ক্লোজ (৩) অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌরবা অমসুং ফাদুনা থম্লিবা মিলিটেন্টশিংসি সর্ত অমত্তা য়াওদনা থাদোক্লগা অনকন্দিসনেল পিছ টোক ওফর তৌরবদি মণিপুরীশিংগী মাইন্দসেট হোংলকপসু য়াই; তাম্লবা অতিয়াদা অনৌবা মঙাল অমা উরকপসু য়াই। হৌজিক মদুদা অইবগী ৱাখল্লোন হোংবা লৈত্রি। হায়রিবশিংসি ঐগী লাইরিক্তসু অমুক হন্না পনজখ্রে।

ঐখোয় মণিপুরীশিংগী অশোয়বসি পুৱারী নিংথিনা পাদবা অমসুং খঙদবসিনি, অদুগা মসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামদা অচুম্বা ফেক্ট অদু খঙহনবা ঙমদবদুনি। ঐখোয়না শাশিন্নবা হিষ্টোরিয়নশিং অমদি শাশিন্নবা অইবশিংদুনা হায়বদু অদুম থাজদুনা মতুং ইল্লি। অতৈগা য়েংনবদা ঐখোয় অসি করিগুম্বা অমা ফংননবা ৱারী শানবদা হৈতবা কাঙবুনি।

হৌজিক হৌজিক কাশ্মীরদা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৫ এগী মতাংদা মৈ হৌদুনা চাক্লি অদুগা ইন্দিয়াদগী তোঙান্না তাগনি হায়দুনা লাউরি। ঐখোয় মণিপুরীশিংদি মীকিথি ওইনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরি। ঐখোয়গী লালহৌবা ইচিন-ইনাওশিং খক্তনা অৱাবা নংলি।

হোয়, হৌজিক প্রী-মর্জর ষ্টেটসকী মরমদা খন্নবা ময়াম অমা হৌরক্লে সিভিল সোসাইটি কয়ানা। খরা অমদদি অইবসু য়াওজরুই। ঐহাক্লা ঐগী ৱারোল পীবদা, ঐগী লাইরিক্তা অমদি কলমশিংদা ইবদা মসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱারোল মীয়ামদা থমখ্রে। মসিগীদমক্তা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইজে - শিল-লাংলিবশিংনা অচুম্বা প্রী-মর্জরগী ৱারোল পীবসি ঐনা অহানবনি হায়না হায়বিদবা অদুনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি। অদুবু অইবগী কলমদা ইখিবশিং, লাইরিক্তা য়াওবা অমদি সেমিনারদা ৱারোল কয়া পীখিবদুনা হিষ্ট্রিগী টেষ্টিমোনি ওইগনি। অসিনা মণিপুরগী True historical perspective পীবা অহানবা মীওইনি হায়বদুদি তুংদা লাক্কদবা মীরোলশিংনা হায়নহৌরগনি। মসি হায়মনবনি হায়না লৌবীগনু।

অদুনা, হান্না লৈরম্বা লৈঙাক কয়ানা মণিপুরবু অতোনবীগী মচাদৌনা য়েংবদু তোকপীনবা অইবনা মোদিদা আপিল তৌজরি। মথক্তা পনখিবদুম্না ঐখোয়গী ফাদুনা থম্লিবা লালহৌবা ইচিন-ইনাওশিংবু সর্ত অমত্তা য়াওদনা থাদোক্লগা সর্ত য়াওদবা পিছ টোক অমা লাম্থোকপা ঙম্বা মথৌনা লৈবা প্রাইম মিনিষ্টরসি মোদিনি হায়না লৌজে। অদুনা অইবনা পুকচেল শেংনা মঙোন্দা আপিল তৌজরি। য়ু জিশিংনা করি হায়রকই হায়বদু ঐখোয় য়েংবা তাই, কোন্না খন্নবা য়াই। অদুবু olive branch অদুদি হান্না ওফর তৌ। মোদিগী ফোলোৱর অমা ওইনা অমদি কলম অসিগী ইলেক্সন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদগী পি এম ওইরক্কনি হায়খিবা কলমনিষ্ট অমা ওইনা, মঙোন্দা অইবগী থাজবা থম্লি। ৱারী-ৱাতাই শান্নবতনা শান্তি পুরকপা ঙমগনি।

প্রী-মর্জর ষ্টেটকী মতাং খন্নরকপদা, ঐখোয় লোয়নমক (মিলিটেন্ট ইচিন ইনাওশিং য়াওনা) দিফেন্স, এক্সটর্নেল এফ্যেরস অমসুং কম্যুনিকেসন য়াওদনা মণিপুরসি ফুল ইন্টরনেল ওটোনোমি (নীংখা তম্বা) লৈবা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বসি ময়েক লানা খঙগদবনি। মসিনি ঐখোয়গী মরুওইবা মচাক্তি। হায়বদি হৌজিক্কী ভুটানগী লৈরিবা অসিগুম্বা। *নাগালেন্দ অমসুং কাশ্মীরদগী মণিপুরনা য়াম্না হেন্না লিগেল অমসুং হিষ্টোরিকেল দোক্যুমেন্ট লৈ হায়বসি কাউরোইদবনি।* করিগুম্বা দাইলোগ অমা তৌবা তারবদি, নাকল অনীমক্লা য়ারবদি কলম পায়রিবসু মদুদা শরুক য়াবা য়াই। ইজরিবদি optimistic ওইদুনা অদুম লৈগনি।

## মরোল থোকপা লাই

